# নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (এ), খুরাই পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (বি) ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ২৯ শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (এ), খুরাই পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (এ)না টেকচম পোলো ক্লব (সি)বু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থীবা পীখি। নম্বুল মপালগী পাঞ্জলশিং অদু এস গীরিমোহননা অহানবা অমদি মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল ২, আই সচিন্দ্রা অমদি এল তরুন্নতা পাঞ্জল অমমম চনখি। টেকচম পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা অনীশুবা চক্রদা এস ধনেশ্বরনা অমা অমদি মরিশুবা চক্রদা এস সোভানা অমা চনখি।



অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা খুরাই পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ১৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। খুরাই পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু পি ওজিৎনা ৭, কে জুগীন্দ্রোনা ৩, পি জোতিননা ২ অমদি এল থোমসননা অমা চনখিবনি। থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী মরিশুবা চক্রদা আর কে মঙালসনানা চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি)না এক্স ফিটনেস পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। এম পি এস সিগী পাঞ্জলশিং অদু ঐচ অবুঙ খুমননা অহানবা চক্রদা অনী, অহুমশুবা চক্রদা অনী অমদি মরিশুবা চক্রদা অমা পুন্না পাঞ্জল ৫ চনখি লোয়ননা থি ঐচ রোমেননা মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল অমগা চনখি। এক্স ফিটনেসকী পাঞ্জল অনী অদুনা টি ঐচ জেকোপনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল অনী চনখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ই এস সি (এ)গা এম পি এস সি (সি)গা, অনীশুবা মেটচতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (এ)গা নোংচুপ পানা (এ)গা অমদি অহুমশুবা মেটচতা কৃপসাগা টেকচম পোলো ক্লব (এ)গা শান্নগনি।

## নাওতোননা মণিপুর টিমগী কেপ্টেন ওইরগনি
# মণিপুর টিম মীজোররামগী ইম্ফাল থাদোকখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ঃ* ৬৮ শুবা নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি নোর্থ ইষ্ট জোনদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিম্না ঙসি মীজোরামগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুর টিমগী কেপ্টেননা ষ্ট্রাইকর নাওতোননা ওইরগনি। মণিপুরগী অহানবা মেটচ থা অসিগী ২৭ তা অরুনাচল প্রদেশকা শান্নগনি। মণিপু টিম অদু অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এ সন্তোস কুমারনা লমথাখি।

# ফেদরেসন কপ ফুটবোলদা ইষ্ট বেঙ্গলনা বেঙ্গলুরু এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে

*মঞ্জেরি, জনুৱারি ২২ঃ* ঙরাং কেরালাগী মঞ্জেরিদা লৈবা এম দি এস সি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩৫শুবা ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গলনা আই লীগকী লিদর ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকহনখ্রে।



*ইষ্ট বেঙ্গলগী মায় পাকপগী গোল অনী চনখিবা নাইজেরিয়ান ষ্ট্রাইকর চিদি ইদেহনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা।*

ইষ্ট বেঙ্গলনা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরি। টুর্নামেন্ট অসিদা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা গ্রুপ (বি)দগী পোইন্ট ৬ ফংদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে অমদি মখোয়না সেমি ফাইনেলদা হয়েং কোচিদা লৈবা জে এন এল এস ষ্টেদিয়মদা দেম্পোগা থেংনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী ৭ শুবা মিনিটতা শিলো মালসোমটলুঙ্গানা তৌরকপা ক্রোস অমদা জাপানিজ প্লে মেকর রিয়ুজি সিয়োকানা গোল ওন্থোকপগী তাঞ্জা অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে। মিনিট অহুম লৈরবা চিদিনা শিলোগা য়াম্না ফজনা কম্বাইনেসন পাস তৌদুনা গোল এটেম্প অমা তৌখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

বেঙ্গলুরু এফ সিনা অনীশুবা হাল্ফতা ফংখিবা পেনাল্টিশিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী ষ্ট্রাইকর সিন রুনিনা গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে। লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলগী নাইজেরিয়ান ষ্ট্রাইকর চিদি ইদেহনা অনীশুবা হাল্ফতা গোল অনী চন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকহনখিবনি।

# জিরি কপতা মার স্পোর্টস এসোসিয়েসননা বরাক ব্রাদর্স য়ুনিয়নবু মায়থীবা পীখ্রে




*জিরি, জনুৱারি ২২ঃ* জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা ৯ শুবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী মেটচতা মার স্পোর্টিং এসোসিয়েসননা বারাক স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

বারাক ব্রাদর্স য়ুনিয়ন জিরিবাম্না তোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা মার স্পোর্টস এসোসিয়েসননা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। বারাক ব্রাদর্স য়ুনিয়নগী অমর্জিৎনা ৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মার স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী লালরোথরনা ১৬ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি টিম অসিগী জে ঙিলনৈসাংনা ২৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা মারনা গোল ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৮৮ শুবা মিনিটতা বারাক ব্রাদর্স য়ুনিয়নগী সৌতেনো গোল অমা চন্দুনা ২–৩ দা লৈহনখি। টিম অনীমক্না লেমহৌরিবা মিনিটশিং অদুদা মখা তানা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু মার স্পোর্টস এসোসিয়েসননা ৩–২ দা মায় পাকখিবনি।

# ১০ শুবা দি এস এ ত্রোফিদা টিম ১২ না শরুক য়াগনি




*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৭ তগী টিম ১২ না শরুক য়াদুনা ১০ শুবা দি এস এ ত্রোফি, ৭ শুবা নাওরেম ভুবোন মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি।

দি এস এগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা আই ৱাই এ ককচিংগা টি য়ু সি থোংজাওগা অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতা য়ু বি এস এ মনতক্কা কে পি এস সি ককচিংগা নুংথিলগী পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী মশক মমিং লৈরবা ক্লব ট্রাউ ক্বাকেথেল, ই এস য়ু ৱাঙ্খে, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব, নেরোকা শঙাকফম, নিসা থাংমৈবন্দনচিংবা ক্লবশিং য়াওরি।

## দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবালা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (জি)গী মেটচতা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম্না ৱাই সি য়ু এ অরাপতিবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই সি এ য়ুনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৮ তুরনা রন ৪১ লৌখি। দব্লিউ ৱাই সিনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১০.৪ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৪৪ লৌদুনা মায় পাকখিবনি।

## নুমিৎ নিনিগী ওইবা দবলস ইনিংস ক্রিকেট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ঃ* মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েংদগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম নুমিৎ নিনিগী ওইবা চহী ১৯ মখাগী দবলস ইনিংসকী অহানবা ব্রজমনি মেমোরিয়েল ট্রোফি ২০১৪ পাঙথোক্লগনি। অহানবা মেটচ হয়েংদগী তাং ২৪ ফাওবা শান্নগনি। ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট সোরাম টিকেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি য়ুঠ ৱেলফিয়ার ক্লব পাংশোয় অমদি মোদেল ক্লব চিঙামখানা লম্বা তৌনগনি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*